

*"রূপ-রাগ য়াম্না পিদোন্না হৌরকখি। মাগী মযুম লৈতে, ছিঙ্গোল লৈতে, মরল লৈজদে।"*

*- এম কে বিনোদিনী*

## প্রমোদিনিগী মফমদা কৎচরি

—নোমিতা খোংবান্তাবম

ঙসিদি মকা লাপ্লে লৈকোলসে
অইবী খাইদেম প্রমোদিনিগী পামজবা
লোয়জি লোয়া চীংয়া তময়া
থুংনা কোয়না চৎলম্বা অবোকবেম্মা।

পামজবা হায়বসি লৈখিদ্রবসু খঙবীরে
লৈকোলনা লৈকোলবু থিদুনা থুংলরে
ঙসিদি মকোই পার্ককী লৈকোলদা
মকোই পার্ককী মনুংদা চীংলরে।

খাইদেম প্রমোদিনি শক্লাইরবীগী মফমদা
অইবীগী শক্লাইরবা অইবা অইবীশিংবু
চিংশিন্দুনা পুবিরে লৈকোলনা লৈকোলদা
মনীং তম্না শান্নরে অশৈবশিংনা।

মাগী মাগী শৈশক শৈদাদা
মকা লাম্বা মীনোক্কা লোয়ননা
শক্কা শক্কা মায়গা মায়গা
খাইদেম প্রমোদিনিগী মফমদা কৎচরি।

## মঙলানগী লৈকোল

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মেদাম উনবিগদবরা
ঙাইহাক ঙাইবিখো
ঐ ঙকপদা খমথেংখি
অসুক নীংথিজখ্রবী অসিগী
করম্বা মবেম্মা
ইতোমতা ঙক্লা হংজখি।
মঙলানগী লৈকোলদুদা
ঐ পঙথরুই ৱাখল য়াওদবা মখে
নীংথিজখ্রবী লাইরমলেনগী লাইরেম্বীদুদা।
মেদাম অদো য়েংনিংখি
অসুক নীংথিজখ্রবী অসিগীসু মবেম্মা
ৱানা য়াম্না ৱানা ঙাইজদুনা
উনজবা মীকুপ অদুদা
মীনুংশি অমত্তা লৈতনা
ঐবু কাওথোক পীরকখি।
অহাংবা মালংদা তাওদুনা লৈখি
কাইনাথংদা অতোপ্পা লৈকোল
অমদা অমুক থুংখি।
লৈকোলদুগী শকহেনবী
অদুনা অমুক ওকপীখি।

## পোইনু থানা লাকপদা

—য়েঙ্খোম তোম্বী

খরিফ লৌবুক ঈয়াইদা
ফৌগী ফৌমাই চোল্লবা
পোইনু থানা লাকপদা
খোইরাংদবা কনা লৈ?

সনারৈ কৌবী লৈরাংনা
সনাগী কোঙ্গোল থিনবগুম
থাবলগী মঙালদা লংলিবা
পূক্লিং হুরোইদবা কনানো?

য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা
ঈংলবা থাজগী মায়থোঙ
নোংইন চেক্লানা কল্লকচৈ
অহিং চূপ্পা শেন্নজৈ।

নুংশি মশক খঙদ্রবা
থোৎপা নৌবা হৈত্রবা
মহাক অদো কৌবনি
মালেমসিদা মী হাৎপা 'মীহাৎপা'

## গাড়ী

—নিলাকুমারি

কুইরবা মতমগী থায়নগী
গাড়ী নম্বর কুন্থ্রা
নম্বর কুন্থ্রা করিগী? নম্বরবু কুন্থ্রা লৈবরা?
ঐনা চহী কুন্থ্রা শুবদা
মনীংদা নপ্তুনা তোংবা লুনা গাড়ী
মিংথোল্লি নম্বর কুন্থ্রা:
নোংমসু খঙহৌদনা তাহৌই
গাড়ী মনীংদগী
ইতোমতা চৎলি তুরেলগী তোর্বান্দা।
অঙনবা মতমগী 'লুনা গাড়ী'
লৈরি ঙসিফাওঃ
চহীনা ৱাইশিল্লক্লবা গাড়ী
উরিনী য়োমশিল্লিবা অশংবা মচুগী
উরিগী মচুগা গাড়ীগী মচুগা খেন্নখিদ্রে
নুংঙাইনা তূমদুনা লৈবগুম
ৱারমাল্লে অৱা নুংঙাইগী ৱারী মরকসিদা
লাপ্পা লাপ্পা থৌদুনা চৎলি
মনীংদা তোংলি ঐসু।
ৱারী শিংবুল কয়া লীদুনা
শাংলবা কয়া তেনশিল্লি
ৱাদে-চোকথদে ৱারীনা পুবা লম্বীনি।
লীরিবা নঙনি, তারিবা ঐনি।
ঐ-নঙ, নঙ-ঐ লমহাংনহনখ্রে
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা
অদুবু খাঙখিগনি অশংবা উরিনা কংদ্রিফাও
উরিগী চবুন্না পুমকুপ কুপত্রিফাও
বসন্ত-নাকেন্থা কয়া কয়া লোইখ্রসনু।

## অরি অনৌ লংদায়

—অথোকপম তোম্বা

পোইনু ৱাকচীং শম্না থা
উনলেন ফিজোল শেৎতুনা
লাক্লো ইচেমগী ইবেম্মা
অনৌবী চহী নহাকপু
তাইবঙগী শিন্থা পুবদা
নচেম ঐসে অঙাওবী ওইরে
থৌদোক ৱাথোক লৈকোলগী
শিন্থা পাংনবা হোৎনবদা।
অরিবী কোবী নচেমদি
খোঙদোই ইহুল তম্লদো
মথং লাংওন অমগী
কায়না তোর্বান্দা লেপ্তুনা
ইচেমগী ইবেম্মা নহাকপু
ঙাইরমগে নচেম ঐহাক্লা।
অনৌবী কৌবী চহী নহাক্লা
লেপ্লরবদা তাইবঙ শুমাং থেলোংয়াইদা
অৱা অনাগী খাংপোকনুংদগী
অরিবী কৌবী নচেমদি
মীৎয়া তরং ঈহৌনা
ইনাউ অনৌবীদা শিন্নরন্নবনি
তাইবঙগী শিন্থা কয়া কয়া
ইচেম্না থেম্বা ৱারবা মীওইবা
থেল্লম্মু ইনাওগী নুংশি মীৎয়েংনা
মীগা মীগা নুংশি চান্নবা
ইশানা ইশাবু শক খঙজবা
ঈংলবা মালেম লৈকোল
চেলহল্লু নুংশি লৈনম চেনবা
পুরকহল্লু ইনাওনা মালেমসিদা
ৱারবী নচেমদি চৎলেদো 'বিদাই'
মথংগী লাংওন অমদা অমুক
উনবরা য়েংসি ইচিল ইনাও
নীংঙমদা ৱাহৈ ফেন্না ফেন্না
হনখ্রগে অরিবা চহী কৌবীদি
অদুবু চৎখ্রবদা ইচেম ও
ইচেমগী য়াৱা তুংইন্না
অনৌবী চহী কৌবী ঐহাক্লা
নাউকোঞ্জরি তাইবঙ থম্মোয়বু
পূক্লিং নুংশি ঈশৈনা
নাউকেল্লিনে পংলা তাইবঙবু
অনৌবী ঐনা লাকপসিদা।
চৎখ্রসনু মথোঙ খঙদ্রবা
হৈশিংবা মানবা ৱাঙাঙ
ঈরাং পাম্বী ইচেম-ও
শাৎপিরো শীচেপকী ওই
অচুম্বা অশেংবা শক্তম
অনৌবা চহীগী লাংওনসিদা।

## নুমিৎ অদো কন্নবা

—সমরজিৎ লাংওনবা

কংলৈ কংলৈচাশিং
নীংতম ৱাশক নীংশিংদ্রব্রা
খোল্লাং লমন কাউরব্রা
খঙনীংবনা লাংতক্লরে থম্মোয়সে
তানীংবনা খোইরাংহল্লে লৈতাদ্রে।

কংলৈ কংলৈচাশিং
মমাঙঙৈদদি নোংমতা লেপ্তে
নীংতম খোল্লাউনা নিল্লখিবনি
মফম খুদিং মৈশা
মতম খুদিংদা মৈচাক
মীয়ামগী চুখিবা মৈরিনি।

কংলৈ কংলৈচাশিং
চাকখিবা মৈখুনা মৈৱাইখিবনি
তুংগীদমক লেপ্পা লৈতনা
হনবা নাইদবা থৌনাদুগী
চোকথবা লৈতবা হকচাংশিং
পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা।

কংলৈ কংলৈচাশিং
মমাঙঙৈদদি কৎখিবনি পামুদনা
অচংবা থৱায় মীরেলশিং
পূন্নমক তুংগী লাক্লবা
নুমিৎ অদো কন্নবা।

## পুন্সি অমগীদমক

—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

য়েক্লবা
হোৎনৈ
পুন্সি 'মা
খূৎতা তুরি পায়দুনা!
কৈ-শওম্না চাক্তারিবা
লমদম 'মদা-
শজি মচা অমা
শরাক তন্নি
অকনবা শাশিং 'দুনা।
তাঞ্জা য়েংলি
উথক্তগী উখাদগী
মোংশোংদগী
লমহুই, ক্লাক, খৈরোইনা
খয়াৎতগী মুন্না
অশিবা শা 'দু।
ময়াং-কংলবা
তুরোই ঙাম্লোই চেল্লিবা
ঈচেল 'দুগী তোর্বান্দা
লেপলি, লমঙানু উরোকশিং
লেপলৈ ঙা অমগীদমক।
অকংবা উতুপ কোন্দুনা
য়োং হনুবদো
ঙাইরি,
নোংথাং কুপ্লকপা
মৈশা লৌনবগীদমক।
শাগৎচরুই,
মঙলান 'মা
পুন্সি 'মগীদমক
খূৎতা তুরি পায়দুনা
নীংবা কায়না তোকখি
খঙহৌদে তাখিবা
খূৎতগী তুরি।

# দিনা

# (Dina)

*-লুইস বর্ন, হোনৱানা*

(হান্নগী মখা...)

সাহেবতুনা হায়রিবদু মারিয়ানা পাউখুম পীরি, মমিৎতি লৈখাদা য়েংনা য়েংনা।

মদলা ৱাজৈ, মখোয়না ঙাঙনরিবদু তাবা ফংদ্রে। মতোমতা ৱাখলনা শাগৎচৈ, করি ওইরমগবা। নুপা অমনা নুপী অমদা হিপমিন্নসি হায়নীংলবদি করি হায়রম্বা য়াই।

পান্নবা সাহেবতু শাউবা মাল্লি, মারিয়াগী মতৌদা। অমুকসু নৌথনা ঙাঙলি মহাক মাগী ফুরিখাউদগী চুরুট উপু অমা লৌথোকখ্রে, হাংখ্রে, মচৈ অমা অমুক লৌথোকখ্রে, চমখ্রে, অদুগা মৈখেত্তু মুথৎখ্রে, মৈখু য়াওনা শ্বরনা কান্নদুনা। মখূৎ অমুক থাঙ্গৎলি, মৈখেৎ মচৈদু হাইরদুনা ঙাঙলি।

মহাক্লা চুরুটতু থকপা লোইরগা, মারিয়াবু তুংওইনরম্লগা কৈদুগী মরুমলোমদা মশক উখিদ্রে। ঙাইহাক লৈরগদি মারিয়াসু মায়কৈ অদোমদা মাঙখ্রে। ঙসাইমখৈ সাহেবতুনা ঙাঙলিদুদদি মারিয়াদু মমায় হাইগৎলম্বা নত্তে।

তল চানবদু য়ামদ্রে লেল্লিবদু। অদুবু মদলানা খঙই, কনা অমতা মবুক থল্লগ্লোই। লেমহৌরিবা তল মচেৎ অসিদি কাঙলূপ্তুগী চাকথোংলিবা এনগুইআনা অমদি মুথাকাটিগীনি। ইনশাং খরা লেল্লিবসিসু মখোয়গীনি।

মদলা মখূৎ লেক্লে, খূৎশা চূপ্লে, অদুগা মখূৎ হামখ্রে। অচোৎপা মখূৎতু মশমদা তৈথোকখ্রে। চাবদু লোইরে, মহাক হৌগৎখ্রে। অতৈসু হৌগৎনরে।

মখোয়গী অমুক লৌবুক কূমদুনা থবক শূগদবদু ঙাইহাক ৱাৎলি। অদুনা মদলা মফম অমা য়েংলকই, ঙাইহাক পোত্থানবা। ঙসাই লৈহৌবা হাপু হোন্দোকপা কাঙবু ফমহৌবদু চৎনখ্রে, অদুনা মদলা মানা ঙসাই ফম্লম্বা মফমদুদা হল্লক্লে। অদুবু ঙসাই মঙোন্দা করেম্নদুনা ৱা ঙাঙলম্বা নহাদুদি হন্দকসু থওইনা মঙোন্দা য়েংলগা লক্নরকই,

- "মদলা, নচাদুদি কৈ মনীংদা সাহেবতুগা ৱারী শারিবনি।" ৱাফমদু নহারোল কাঙবুদুগী লুচিংবা এলিআজন্নদি অদুম্না হায়হন্নীংদে।

- "খঙশিন্নদ্রবা মীদুদদি হায়রুবগী করি কান্নরি তুমিন্না লৈবনা ফৈ।" অদুনা মানা নহাদুদা মমিংদি পন্দনা য়ৈথৎখি।

তুমিন্না লৈনৈ, অদুবু তুমিন্না লৈনবদুনা হেন্না ইকাইখ্রে। অদুনা মদলা মাগী খোঙ ওইরোমদা হৌরিবা নাপীদু মখূৎনা লাম্মী অদুগা খূৎশানা মনাশিংদু উরু উরু লৈরগা কন্না চিংঙি। নাপীদু মখোল অমা থোক্লা পৎ লাউনা ফুক্লকই।

জিমো থুংলরে। "মদলা! নহাক ঐবু নঙ পেন্নবা থবক অমা তৌহন্নীংদ্রা?" মদলা খুমখিদ্রে, জিমোগী মতুংদনা লৌবুক তাখ্রিবা খোঙলম্বী অদুদা সাহেবতু মাঙ থানা চৎখ্রি, খোঙকাপ তরামুক চোন্থনা মারিয়াদুসু ইন্নখ্রি। মদলানা মমিৎ ফল্লপ অনীদুনা চৎখ্রিদু য়েংখি। ইকাইখিবনা মখূৎ অদু কোয়মা মারকই, কৈসু থেংনদে। নাপী পান্দোং অমা ফূকপদৌনা মখূৎতু ভাবনা কন্না তাশিল্লকই।

মারিয়া চৎখ্রে তাম্না শোঙলবা অশংবা পাম্বীগী সমুদ্রদুদা। লৌবুক্কী মতাইদা হৌরিবা অনৌবা নাপী মরক্তুদা তুশিনখি, নুপাদুগী খোঙগুন তানবদা। নাপী-শিংনাদুদি মাগী খূকউ ফাওবা ৱাংলিবনি। অদুবু চৎপা লেপখিদে। অদুমকপু মহাক খোঙথাং ফিংখিদে, চৎপদু লেপত্রবসু।

ফনা লাপখ্রে, সাহেবতু লেপখ্রে, মারিয়াসু তুং লাপ্লপ্পা লেপখ্রে। সাহেবতুনা মঙোন্দা য়েংলকখি।

"মদলা! নঙ খনফম থোক্তুবরা? ঐবু ইৱা ৱাদনা নঙগী পেন্নবা থবক অমতা তৌহন্নীংদ্রবরা?" জিমোনা অমুকসু হায়রকই।

মদলাদি মুন্না য়েংলি, সাহেবতু খোঙফম খরা হল্লকই, মারিয়া নাক তম্না, অদুবু মহাক চপ লেপখি, ৱাখল হোংলক্তুনা, অদুগা পাকথখ্রে, ঈরোয়বগুম, তুরেল লানবগুম, চঙশিল্লক্লে।

মদলা খল্লকই, মাবু জিমোদা কৈনো খরা হায়রসিরা? অদুবু জিমোনা মঙোন্দা করি হায়খিবা মহাক কাউখ্রে, মহাক করি হায়নি খঙদ্রে।

অসোমদা সাহেবতু মারিয়াদা ঈঙ্গিৎ তৌরি, অদুবু মারিয়া খঙদবগুম তৌরি। শোমদনা মদলা মানা ফোয়রিবা নাপী পান্দোংদু কন্না চিংলি, নাপীদুসু খাঙলি, অদুনা মদলাগী খুদাংদু নিক্লকই।

অসোমদদি সাহেবতু নাপী মরক্তুদা পাকথখ্রে, ঙাইহাক লৈরগা মারিয়াসু মখূৎখক্তা উরকই, নাপীদা য়ানবা মাল্লি। অদুবু অদুম উখিদ্রে। অদুবু উরকই, মখোয়না লোৎখ্রিবা মফমদুগী নাপী মতোন্দু লেঙলকই, অদুদগীদি তুমিন লৈখ্রে।

জিমোগী খোনফম কায়রকই। কৌরকই, "মদলা!" অমুকসু কন্না লাউরকই, "মদলা! নহাক অসোমদা য়েংলুরনু।"

মদলা মশা নিক্লকই, অদুবু মাগী অনাবদু হৌরকপদি নত্তে। অসোমদসু নাপী অশংবা মরক্তুদা মারিয়া মখোঙ কাওরি, নান্থোক্লবা হোৎনরি। অদুবু কল্লবা পান্থোম অনীনা মাবু কোনশিন্দুনা থমখ্রে।

উপাই লৈত্রে, নুপাদুগী অশাবা নমথিবা স্বর অদুনা মমায়দা য়ৈরক্লে। মারিয়াগী মফি চিংথোকপীখ্রে, মুন্নবদা ঙমখ্রে। হৌজিক্তি অঈংবা ঈশিংগী মনিল মশাদা ফাওরকই। মহাক নীকখি, ঈংবদুনা। মহাক্কী ফি-থোংদ্রবা মফৈগন্দুদা ফোঙ ফোঙ শাবা, জৌ জৌ লাউবা নুপাগী মখূৎ অমনা নাল্লকপদু অমুক ফাওরকই।

শোমদা, মদলা কোইয়েং য়েংলকই। কনা অমতা মঙোন্দা অপান্ননা য়েংলক্ত্রে। অদুবু কেম্প অদুদা লৈরিবা নুপা পূম্বা উরুমদা ফল্লি, মাবু উগদবা মফমদা। ঙসাই লক্নরম্বা হাপু হোনবা নহা অদুনদি হৌজিকসু মঙোন্দা হৈনদবা মিৎয়েংদা য়েংলি।

ময়াম তুমিন লৈনৈ, মরক্তুদা ফার্ম কাঙবুগী চাকথোংবা জোস অদুনদি লোকখু অমা তৌরকই। অদুবু মফমদু তুমিন অদুম লৈনখি।

অসোমদদি অশংবা নাপী মরক্তুদা সাহেবকী ৱাউথাংনবা মশাদু শংবানখ্রে। মাগী কন্থানরবা মায়থোঙদু অপাম খৌরাং শকফমদা মারিয়াগী মমায়দা খনখ্রে। নুপাদুগী ফোঙ ফোঙ শাবা স্বর অদুনা মারিয়াগী খজিক কাদুনা লৈবা চিনবান মনুংদা চঙশিল্লক্লে। মারিয়া ঈরাক্লরে, পঙথখ্রে, ঈরোন্নুংদা লূপখ্রে। লেঙখিদ্রে, মমিৎ উইশিনখ্রে। হৌরক্লিবা ঈথক ঈপোমদু খাঙবদা তাখ্রে। অদুদগী মাগী ঈরোন্নুংদা লুপশিল্লক্লিবা সবমেরিন অদুদগী অশাবা ঈচেল অমা লৌবুক্কী নাপী মরক্তুদা মাগী নুংদা চেলশিল্লকখি। অদুগা মাগী সিয়োম্নুংদা তপ্না কোঙ্গোল কানা চঙখি।

অদুগী মতুংদি কন্না কোনশিল্লম্বদু স্বর অমুক্তং চাউনা হোল্লগা সুম কোমথোরকখি।

শোমদনা মদলা ভাবনা নাপী ফোয়রি, অদুগা মনাশিংদু শুরু শুরু নোইথৎলি। স্বর চাউখি, মানা খঙলকই, মাগী অনাবা অমা লৈবসিনা মাগী পাঙ্গল লৈত্রে, লৈকংদা হৌবা অকনবা নাপী ফোয়নবা, মানা লৌবুক্তা ফোয়রিবা নাপীদু নৎত্তে মসিদি।

- "কপকনু মদলা!" জিমোনা লাউরকই।

এনগুইআনা অমসুং ফিলিমোন অনীনা ইহান হাল্লি হৌগৎপা। নাপী পেংবা কাঙলুপ্তা। জোসকা, মালৈসেসু হৌগৎলক্লে। মখোয় হান্না হাপু হোন্দোকপা কাঙবুদা য়াওরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি মখোয়সু মদলাগী কাঙলুপ্তা য়াওররে। অদুনা মিৎকুপ অমগী মনুংদা মদলাগী কাঙবু লোইনা অদুগা অতৈ কাঙলুপকী মী লোইনা মদলাবু কোয়শিল্লরে। কনামতা মদলাবু অপান্ননা য়েংদে। কনা অমতা ৱা ঙাঙদে। মমৈদদি মখোয় লোইনা লেপখৎলক্লে।

শোমদা মদলাদি মানা ভাবনা ফোয়খিবা নাপী পাম্বীদু নান্দুনা লৈখ্রে।

- "মারিয়া! নঙ মফমসিদা করিগী লাকপনো?" সাহেব অদুগী খোঞ্জেলনি। রাশি লৈতবা। নুপাদুগী অরূম্বা অদু পুবদা ৱারবা মারিয়াদি স্বর হোনবফাও ৱারে। অদুনা সাহেব অদুনা হায়রিবদু মারিয়ানদি অরাপ্পদগী লাকপা খোঞ্জেলগুম তারে। অদুবু মানা ৱারৌনা খুমখি :

- করিগীনো নঙনা অসুম্না তৌরিবা?

- হম...!

- করিগীনোবা?

মারিয়ানা শাউনা নুপাদু ইন্থোকখি।

- হম!

সাহেবতু থাদোক্তে, কোমগোম্না অমুক মখূৎনা মারিয়াগী থবাক্তা থম্লকই।

- নঙদি মসি পামদব্রো?

নুপাদু কূমথখ্রে, "হম! নঙদি মসি পামদব্রো?

হায়না হায়না মফি চিংখৎখি। অদুগা মারিয়াদা লুকথরগা হায়রকই - "হে! লোইরে, হৌগৎলো।"

মারিয়াদি মখাদা নাপী মরক্তুদা মমিৎ পাঙলকই:

- "সুম্না তৌবসি অফবা নত্তে ... নুংদাংসু নত্তনা।"

মখোঞ্জেল নীক্লকই, "মদলা উরম্মনি, ববা উরম্মনি।" "নঙনদি ৱারী শাগদবনি হায়রগা, নুমিদাং লাকপগী..."

- লাকও! নুপী! উনবা লোইরে, ঐ নঙগী অৱামন পীরগে।

মারিয়াদু হৌজিক্তা মনঙ্গন্দা লৌবুক্কী অকনবা লৈবাক্কী অনাবা ফাওরকই।

অশংবা নাপীগী সমুদ্র অদুদগী ফাওগৎলকপদু সাহেব অদুনা হাল্লি। মখূৎনা নাপী-শীংনা হাইদোক হাইদোক্তুনা কেম্পকী মায়কৈ পাংলক্লি। মারিয়ানা হৌগৎলকপা মতম অদুদদি নাপীশিংদুগী ঈপোম্না কোয়শিনখ্রে। হৌগৎলকপগা মফিদা পকপা লৈবাক কন্থোকই, অদুগা মাসু কেম্পলোমদা লাকপা হৌখ্রে।

খোঙলম্বী অদুদা লাক্লিবদু মারিয়া মখূৎ লেপ্তে, সাহেবতুনা চৎখিবগী নাপী ঈপোমদু মখূৎনা ইন্থোক ইন্থোক্তুনা লাক্লি। হাপু হোন্দোকপা মীশিংদু থৈদোক্তুনা লৈনৈ, মারিয়া চৎখিনবা। পূন্নমক তুমিন তুমিন লৈনৈ।

মারিয়া লৌবুক্কী মনম ফাওরকই।

ঙসাইমখৈ মদলাবু লক্নরম্বা হাপু হোন্দোকপা, ক্রাল গেংগী নহাদু হৌজিক্তি শকফম হোংলকই। ফাগী তৌদুনা লক্নরম্বদু তুক্কচবরোমদা ওন্থরক্লে। অদুনা হায়ররোই খল্লম্বদগী হেক হায়দোকখ্রে:

- "মদলা! নুংশাসি শাখ্রেনে কো, নঙগী থবক মফমসে!"

মদলাদু মহৌশাগুম হায়রিবদু করি হায়রিবনো খন্থহৌদনা শৎ খুন্নকখি : "হোয়, ইচা ইবুংঙো, লৌবুক্তনা হেন্না শাখ্রে।"

অদুবু ৱাফমদু মখা তানখিদ্রে। মারিয়াদি মমায় নোনখৎলকখিদ্রে। কেম্প অদুদা লৈরিবা নুপা ময়ামদু লৈমায়দা মরায় লূক্লে, য়ূম্বীগুম তুমিন লেপ্লে।

- "মদলা!"

নহাদুনা খোনফম কায়না কৌরকইবনি। মখা তারকই :

- মদলা! করি তৌসি হায়বা? হায়য়ু, লোইশিল্লসি হায়ব্রা? মখোয়না ঐখোয়বু হাৎখিবা য়াই। অদুবু ঐদি শিবা কিদে।

মানা হায়রিবদু য়ানীংবগী মওংদা লেপ্লিবা কেম্প অদুগী মীয়ামদু মুরুম মুরুম শোন্নরকই।

মদলাদু হন্দক্তি মমিৎ লংখৎলকই অদুগা মাগা থবক শূমিন্নরিবা ময়ামদুগী মওং তপ্না য়েংলকই।

- "মদলা! ঐখোয় লোইনা উরে, মানা নচা নুপীদা চত্থখ্রিবা মওংসি। অদুসু নঙগী মিৎমাঙমক্তদা। কান্নদে, হায়য়ু কৈনোমা। মদলা! ৱা ঙাঙু।"

অসি হায়না হায়না নহাদুনা মদলাগী মিৎতা য়েংলকই, শীংনবগী মমি তাব্রা হায়না।

অদুবু মদলাগী থৱায়দুদি তূম্লে।

সাহেব অদুদি অমনবা কৈশিং অদুগী ময়াদা মশক উৎলরে। অদুগা মারিয়াবু য়েংলকই। মারিয়াদু ফমদুনা লৈবদু উবদা মতম্বাক্তা ঙৌরোক ঙৌবা শেলয়েক অমা লংশিনখি।

- "সে নঙগী পিফম থোকপদু।"

মচিন্দদি অচাকপা চুরুট অমা চূপ্লি। ৱা ঙাঙবদুদা অপেনবগী মোমোন অমসু য়াওরি।

মারিয়াদু ফিনুংদগী মখূৎ তিংথোক্লকই। কনানো অমা লোক খুরকখি। মারিয়া মখূৎ শৎ অমুক চিংশিনখি। মখূৎতু মথবাক্তা অমুক্তং নাল্লগা, মাগী নীংদুরোমদা মখূৎতু লৈথখি।

- কৈদৌরে, মারিয়া?

সাহেবতু ইঙক ঙক্লা য়েংলকই।

মারিয়াদি ইকাইবনা কৈগী ফক্লাংরোমদা ঙাথখ্রে অদুগা মমায় লৈথোকখ্রে।

মদলাসু মচাগী মতৌদু উবদা মায়থোঙ মকশিনখি। মারিয়াদি মমিৎ উইশিন্দুনা লৈখ্রে।

- "করিগীনো নঙনা অসুম্না তৌরক্লিবা?"

মারিয়ানা সাহেবতুদা হৈনদনা হায়রকখি।

সাহেব অদুদি মখূৎ অনীদু মখ্বাং মেৎলদুনা মখা তারক্লি :

- "কৈদৌরগে নঙবু, নুপীমচা! নঙবু পৈশা পামদ্রবরো? মীমাঙদা পৈশা পীরকই হায়দুনা কিরিবরো?

মহাক লকক তৌই, মারিয়াগী পাউখুম ঙাইখি। অদুগা অমুক চত্থরকই - "নঙ নহাশিংসিনা উখ্রগা ওক্তবীনি হায়খ্রনি হায়বগী ৱারো?

মারিয়াদু খুম্বদি লায়রদুনা হেন্না মশা তাশিনখি, মশাগী খুজিন্না মনঙ্গলদা হঞ্জরদুনা ঙংলকই, "-মদলানা ঐখোয়বু উখ্রে, মদলা য়েংলি।"

- "মানা উরগা কৈদৌই হায়বগে?"

সাহেবতু মখূৎ তিংথোক্লম্মী খঙহৌদনা, অদুবু মথবাক য়ৌরকপদা মখূৎতু অমুক কোনশিনখ্রে।

- মদলাসে! ঐগী ইপানে হায়বনি।"

মারিয়ানা শাউনা চৈথোকখি সাহেব অদুদা।

লেপ্তুনা য়েংলিবা ময়ামদু উচ্ক্কুম লেপ্লম্বদগী সাহেবতা মিৎয়েং চপ মান্ননা থম্লকই।

মথম্মোয়শিংদদি সাহেবতু ঙসাইনা মতুপ মতুপ ককথৎখ্রবনি।

- "করি হায়বা?"

সাহেবতু খংবা অমা য়াওনা লাউরকখি। মাগী ঈ পূম্বা মমায়দা চেনশিল্লকপগুম ঙাংশং ঙাঙলকই।

- "ঐদি নঙসে মদলাগী মচানুপীনি হায়বদি খঙদেনা।" ৱাদু খংওন ওনখি। মদলাদা ওনশিল্লগা মখা তাখি :

- মদলা! ঐদি নঙগী অসুক ফজবী নচানুপী অমা লৈ হায়বা খঙউদ্রেদনা। অসুক ফজবা... ঐ... ঐসে মাগী মরুপনে।" লেপ্লিবা কেম্পকী মীয়ামদু স্বর চাউরকই।

- "মদলা!" সাহেবতুনা চঙশিল্লগা কৌরিবনি : "মদলা! নঙ নুংথিলসিদি তল্লগা থবক কূম্মুরনু। কেম্প অসিদা পোত্থাদুনা লৈথোক্লো, নচানুপীগা ৱারী শানদুনা।"

মদু হায়র হায়রগা মদলাগী মমায়দি লৈমায় তমখি। মাগী ৱাখলনা ফোয়রিবা নাপী পান্দোংদু কয়াম চাউই খঙদনা খূৎশাশিংদু কন্না পায়শিল্লকই। করি অমতা খুন্নক্তবা অদুদদি সাহেবতু নীংবা কায়না মশাদু নিক্লকই। অদুগা থেমজিনবা ওইনা ৱাহৈ খরা তৎলি তৎলি হায়রম্মী, "ওন্থোকপনি! ঐদি কমদৌনা খঙলুনি।"

মমায় লৈথোকখ্রে, কেম্পকী মীশিংদুদা ওনশিনখ্রে, মাদি খঙড়ুদ্রে হায়বগী মওংদা। কেম্পকী মীয়ামদু ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙলকখিদ্রে, মায়থোঙ মকশিন্না লৈখ্রে য়ানীংদনা।

- "ওন্থোকপনিদা!"

সাহেবতু অকিবা অমা য়াওনা ঙংলকই :

- "মদলা! ঐ শেল খরা পীগে। অদুগা নচানুপীগা কান্টিন্দা চঙলুচো।"

সাহেবতু হন্দকসু মদলাগী লেঙখিদ্রবা শকফমদুদগী ৱাহৈ খরা থোক্লক্কদ্রা খন্না মখা তারক্লি।

মদলাদি হান্নদগী হেন্না মমায়দু লৈমায়দা লূকথখি।

-"মদলা...!"

সাহেবতু অমুক্তং কৌরম্মী মদলাবু, মখূৎ থাঙ্গৎলম্মী অদুবু থাদখ্রে।

- "ওন্থোকপনিদা!" মসি হায়রম্লগা কৈগী নাকন্দা চৎখ্রে। অদুম উখিদ্রে।

ক্রাল গেংগী নহাদু খোল কনখৎলকই, "মদলা! ঐখোয় পূন্নমক্কী মাঙদনিকো, মানা নচানুপীদা তৌরিবসে! নঙসু উরিবনিকো।"

ৱাদি ঙাঙনদে, অদুবু কেম্প অদুগী মী পূম্বা মানা হায়রিবদু য়ানীংবা উৎলকই।

মারিয়াসু তৌফম খঙদনা মখূৎনা মকোক পায়দুনা সুৎ সুৎ কপ্লকই। মদলাদি হেন্না হেন্না মকোক নোন্থখি।

হন্দক্তি সাহেবতু মখূৎনা য়ু লিক্লি অমা পায়রদুনা লাক্লে, কৈ অদোমদা লাউররে, "হে অঙাংশা!" মাগী খোন্দু কল্লি, কেম্প অদোমদা ওনশিল্লগা লাউরকই, "ঐখোয় থবক শূবা কূম্লসে, মতম লৈত্রে, লাকও, লাকও! ঙসাইনা পূং অমা মখায় তাখ্রবনি। লম-তু শেংবা অঙাংশা - মলৈসে, এলিআস, অলবর্টো, লম-শেংবা নখোয়বুনে, হে লমশেংবশা! নখোয়না চৎলু, তুরেল ময়াগী হাবুংশিংদু শেংদোকউ! অদুগা ফার্ম গেং নখোয়না কোবি থাফমদা চৎতুনা কোবি তিন ফাদোকউ! অদুগা ক্রাল গেং নখোয়না ষণ ঈশিং পীথকউ, নাপী ফোয়বা, হোইং গেং নখোয়না ঐগী তুং ইল্লকউ, লাকও, থুরো, লৌবুক কূম্লসি!"

ফনা লাউজরবসু কেম্প অদুগী মীশিংদু মচি লেঙনদে। মদলাদি ৱাখলনা উংখ্রে, মাগী ৱাখলনা ফোয়বা নাপী পান্দোংদু থাঙ্গৎলি, মখূৎনা তপ্না নানবীরকই।

- অঙাংশা! নখোয়বুনে, ননাদু তাদ্রবরো? কাংশি য়ৈখ্রবনি, চাক চাবসু লোইনরবনি।"

সাহেব অদু শাউগৎলকই, লাউবদু কনখৎলকই। হন্দক্তি য়ুদু থাঙ্গৎতুনা মদলাদা লাউরকই, "মদলা!"

মদলা হৌগৎলকই।

- নঙবু ঐনা লাউরিবসি তাদ্রবো। ঙসাইদগী থবক কূম্লসি হায়না লাউরিবসি নঙোন্দনিনে। ওক্কী মচা নঙবু চৎসিনে।"

মদলাদু তপ্না সাহেবতুনা পীরক্লিবা য়ু লিক্লিদু লৌই।

- হে নখোয়বুসুনে, লমশাই মচাশা! থবক শূরুরসি হায়বনে।

কেম্প অদুগী মী পূম্বা মদলাদা মুন্না য়েংদুনা লৈনৈ। ক্রাল গেংগী নুপামচা অদুদি খোঙফম অমা মদলারোমদা থাংজিল্লকই,

- "মদলা!"

মদলা হন্দক্তি চাগদৌগুম মমিৎতু মাগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদুদা খানা য়েংলকই। লিক্লি অদুসু মনুংদা কোঙ্গোল কারি, অঙাঙবা, নাপু শাবা, য়ুনি। মদলানা খূৎথক অমুক্তা লোইনা থক্তোকখ্রে, খরনা মখদাংগী মকোয়দু চোৎলে, খরনা মখৌরিদা চেন্থরি। অদুগা য়ু য়াওদ্রবা লিক্লিন্দু মানা সাহেবতুদা পীশিনখি।

- "হে! নখোয়বু থবক কূম্লসি হায়বনে, ঐনা হায়রিসি তাদ্রবো!"

খোঞ্জেলদু উখোং খুদিংগী খোন্থাং য়ৈরকখি, অদুগা মাঙখি।

অচিকপদু মায়থীখি।

মারিয়াদি করি থোক্লগবা খন্না অমদা অমুক য়েং, অমদা অমুক য়েং লৈখ্রে। হন্দক্তি সাহেবতু লিক্লিন্দু মঙক্তা পায়খ্রে, থাঙ্গত্তুনা লাউরকই,

- "অমুবা লমশাই মচাশা! নখোয়বুনিনে!

ক্রাল গেংগী নহাদুনা মদলাগী মখোঙদা মতিন শিৎখি।

- "হে হূই!"

মদলাদি ইকাইবা কাউখ্রে, মমায় লৈথোক্তুনা লৌবুক তম্না মখোঙ থাংবা হৌখ্রে এনগুইআনাসু, ফিলিমোনসু মতুং ইনখ্রে।

জিমোদুসু ময়ামদুদা কান্নদ্রে খন্না লাউরম্মী, "চৎসে, থবক শূরুরসে।"

মথোই কারবা সাহেবতুনা অমুক্কা হেন্না লাউরকই, "থুরো, থুরো, থুরো হায়রিসিনি, ওক্কী মচাশা।

জিমোনা মাঙ থাদুনা কেম্পকী মীয়ামদু থবক মায়কৈ পাংবা হৌনখ্রে।

- "পরপ পরক চৎলু।" সাহেবতুনা মখনাউ শেগায়খৈ লাউরকই। অদুগা লিক্লি অদুনা ক্রাল গেংগী নহা অদুদা থোমখি। লিক্লিদু কায়রে। নহাদু লেঙদে। অমুকসু মকোক্তা থোমখি। হন্দক্তি মকোক্তু কায়রে। ঈ চেন্থরকই। অদুমক্তদা সাহেব অদুনা চোংশিন্দুনা মাগী খোঙউপ বুট অদুনা মমায়দা কাওশিল্লি, "বেশাই মচা নঙনসু!" অসোমদদি মদলাদু নোন্থখ্রে, নাপী পান্দোং পায়দুনা ফূক্লবা হোৎনখ্রে। অহানবা পাম্বীবদু হাইফেৎ চিংদুনা য়েংঙি, মসিবু কনৱা? মদুমা ফূক্লবা হোৎনবদা মহাক লোংনা তুগে তৌই। ফূক্লে, অদুগা পরেং শানা থমখ্রে। মরকসিদা মানা য়েংজৈ, পাম্বীশিংগী মরক্তুদা লোন্না, উরকই, জিমো, ফিলিমোন, এনগুইএনা, মুথাকাটি, টানদেন, মুথম্বাই লোইনা থবক শূরম্লে। মদলানা মখোয়দু অমমমদা য়েংলকই। মহাক স্বর অমুক্তং চাউনা হোল্লম্লগা থবক্তা মায় ওনশিনখ্রে।

অঙক অঙকপা ঙা কয়া লোৎলদুনা সমুদ্রগুম্বা অশংবা লৌবুক্কী ফৌনা ঈমায়দু মলয়া নুংশিৎনা লেঙলকই। ঈথক ঈপোমদু অমুক হৌরকই, অমুক নেমথখি, অমুক হেক হৌরকই, অমুক হেক নেমথখি, পাউদম্লরি, ঈরোন্নুংগী কোঙ্গ্রেংশিংগী অরোন-অথুপ কয়া।

*হন্দোকপা - সলাম তোম্বা*

(মোজামবিক্কী ৱারীমচা)